ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



কুমজা ২০২১দগী মওলকেকি ফাউন্দেশননা চহী খুদিংগী পীরকপা ইন্টর্নশিপগী মঙারকশুবা ওইনা এম আই টিদগী কম্প্যুটর সাইন্সতা বি ঈ পাস তৌরবা রিকি লাইখুরামদা ফাউন্দেশনগী মায়কৈদগী ইন্টর্নশিপ খুৎশিন্নবা


লৌশিং পূক্কে : অলকোহোলিক লিভর দিজিজগী... লামায় ২

লামায় ৪ কারন-তুরনগী জর্মন রোদ, টাইগর-লায়ন ককথৎলু!

ঈংনা-চিক্লা লৈববু কৈদৌবগে লামায় ৫

লামায় ৬ বি জে পিগী এম এল এ ৫৪ লৈনা লৈনা লৈঙাক শেম্বা...

চাইনানা সর্ভিলেন্স তৌবা ঙম্লোইদবা লম্বী... লামায় ৮

লামায় ১০ মাবানা শিন্দুনা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা...


অশাংবা কম্যুনিকেশন, ইম্ফালনা শিন্দুনা লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়দা লৈবা ডা. কমল লিটরেরি কমপ্লেক্সতা ডা. খুন্দোংবম গোকুলচন্দ্রগী ৱারীমচা 'হনুবগী নিংঙাই' অমসুং শৈরেং লাইরিক 'অনৌবা পুন্সি' ফোঙখিবা




Vol. 49, Issue No. 112 | লৈবাকপোকপা, ইঙেনগী ২৭/২৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, July 22, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমগী অহৌবা নুমিৎতা মৈ হৌখ্রে

## লোক সভা ৪রক য়েথোকখি, রাজ্য সভাদা বিল ১ পাস তৌখি



### লোক সভাগী স্পিকর ওম বিরলা লৌথোক্লবা বি জে পি য়াওনা এম পি ১৪৫না দিমান্দ তৌখ্রে রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন জগদিপ ধনখর লৌথোক্লবা মেম্বর ৬৩না অইবা চেরোল পীশিনখ্রে

**ন্যু দেল্লী, জুলাই ২১ (এজেন্সী) :** মহৌশাগুম্না ঙসি পার্লিয়ামেন্ট মীফম হৌবগী পুংফমদা চপ মান্ননা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী নোংজু মীফম চথবা হৌরকখ্রবসু ওপোজিশনগী মায়কৈদগী পহলগাম টেরর এটেক অমসুং ওপরেশন সিন্দুর য়াওনা লৈবাক অসিদা মায়োক্লবা ইস্যুশিংগী মতাংদা সভা অনীমক্তা পুথোক্তুনা খন্নগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরকপদগী চুম্না চরাংনবদা নত্তনা হাউস অনীমক্তা মৈ হৌখ্রে। লোক সভাদা ওপোজিশন মেম্বরশিংনা মীফম হৌরকপগা পন্থদনা দিমান্দ অসি তাল্লদুনা প্রোটেষ্ট তৌরকপদগী থেঙ্খাং মরিরক্তা হাউস অসি

### রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন ওইরকখিবা জগদিপ ধনখর ভাইস প্রসিদেন্টগী ফমদগী রিজাইন তৌখ্রে



**ন্যু দেল্লী, জুলাই ২১ (এজেন্সী):** ঙসি পার্লিয়ামেন্টকী লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী নোংজু মীফমগী অহৌবা নুমিৎতা রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন ওইরক্লিবা লৈবাক অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট জগদিপ ধনখরবু সভা অসিগী চ্যেরমেন ওইবদগী লৌথোক্কদবনি হায়দুনা সভাগী মেম্বর ৬৩না খুৎয়েক পীদুনা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা দিমান্দ তৌরকখিবদগী চ্যেরমেন ...মখা লমায় ৩ কলম ২

এদজোর্ন তৌরবা মতুংদা মখা তাবা মীফম হয়েং চথনবা লেপখি।

প্রোটেষ্ট তৌরকখিবা মেম্বরশিংগী মরক্তগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হাউসতা শরুক য়ারদবসি পলহগাম টেরর এটেককী ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

### এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা সেরৌগী লৌ পরি ৪০০ রোমদা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা লৌখৎলকপা থবক

## চান্দেলগী খুল ২গা তাইনবা চকপী তুরেলগী কটচা দাম শেমজিনখ্রে

## লৌমীশিং শোকহন্দনবা লৌ লোকপা ফাওবা শঙগনি : রঞ্জিৎ

### ককচীং খুনৌদগী নহা ১০০ রোম য়াওনা শুগুনু এ সীগী খুঞ্জাশিংনা এম এলএগী মতেং পাংখি





**ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরদা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্তবদগী ঈং-তপ্পা অমসুং মহৌশাগী ফীভমদা মপূং ফানা হঞ্জিল্লকপা ঙমদ্রিবঁগী চৈরক্তা লানগী থৌদোকশিংনা মীচম কয়াগী থৱায় মাঙহনখিদনবা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা চীংনুংদা লৈরম্বা মীওই ১০০গী মথক্তা তেক্ত-কায়দনা পুথোরকখিবদা নত্তনা সেরৌ অমসুং শুগুনুগী লাঞ্জেন্নখিবশিংবু খুন্দা-লৈতাহন্নবা লম কখোক্তুনা য়ূম ফাওবা শাবদা নত্তনা হৌজিক লৌউ পান্থাদা সেরৌগী লৌ পরি ৪০০ মুক্তা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈহন্দনবগীদমক শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎনা ঙসিদগী হৌরদুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী তৌপোকপী অমদি মোলবেম খুলগা তাইনবা চকপী তুরেলগী মথক্তা শাবা কটচা দাম শেমজিনবা হৌখ্রে।

কটচা দাম অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ২



## মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনগী মেম্বর খনবগী মীফম ২রক কৌবদা লাকখিদবা ওক্রম ইবোবীদা মীটিংগী নোটিস পীখিব্রা নৎত্রগা পীখিদব্রা

হুইয়েন ব্যুরো

**ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা মতমদা থোকখিবা থৌদোক-ৱাথোকশিং পূন্নমক অয়াম্বনা শোয়বদগী/এক্সিদেন্টদগী থোকখিবা মশীং য়ামদবগী মথক্তা থোক্তবা য়াদদুনা থোকখিবা/থোকহনখিবা থৌদোকশিং ওইবনা ঙসি ফাওবদা মীরোল অসিনা 'পুৱারী' (হিষ্ট্রি) বু মরু ওইবা সবজেক্ট অমা ওইনা তম্নবদা নত্তনা অখণ্ড-অহৈশিংনা নৈনরিবনি। মরম অসিনা হৌখিবা মতমদা থোকখিবা থৌদোকশিং নৈনরগা থৌদোকশিং অদুগী মনুংদগী থোকহনফম থোকপদগীদি থোকহন্দবনা হেন্না ফগনি খনবা থৌদোকশিং মচা খায়না খন্দোক্তুনা নৈনরিবনি।

মরম অসিনা ঙসিদগী চহী ৮ লোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৭কী ওগষ্ট ৩১দা মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরিএট : লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী মতম অদুগী সেক্রেটরি (লো) না ওর্দর অমা থোক্তুনা মণিপুর



হ্যুমেন রাইটস কম্মিশন (এম ঐচ আর সী) গী চ্যেরপর্সন খন্নবগী মীওইশিং রেকমেন্দ তৌনবা কম্মিটি অমা কন্সটিট্যুট তৌরে হায়খি।

ওর্দর অদুদা কম্মিটি অসি প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট ১৯৯৩গী সেক্সন ২২গী সব সেক্সন (১) গী মখাদা গভর্ণরনা অয়াবা পীদুনা শেম্বনি হায়খি।

কম্মিটি অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা চ্যেরপর্সন ওইরগা মেম্বরশিংদনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর, হোম দিপার্টমেন্টকী মিনিষ্টর ইন চার্জ অমসুং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ওপোজিশন লিদরনা ওইগদবনি হায়খি।

লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস কম্মিটিনা এম ঐচ আর সীগী চ্যেরপর্সন খন্নবগী মীওইশিং রেকমেন্দ তৌনবগীদমক কম্মিটি অসি শেম্লে হায়খ্রবগী মতুং ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## অফবা ৱাখলদা লমজিংদুনা পুবীগদবা লিদর খনবীয়ু, ওন্নবা ৱাখলদা চৎপা লিদর থেংনরবদি লৈবাক অসি অৱাবা তাগনি : স্পিকর সত্যব্রত

**ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচএনএস) :** অফবা ৱাখলদা পূন্নমকপু পুবীগদবা লিদর খনবীয়ু। মসি নত্তদুনা ওন্নবা ৱাখলদা চৎপা লিদর থেংনরবদি লৈবাক অসি অৱাবা তাগনি হায়না স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রতনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ৱাঙ্খে অয়াংপল্লিদা লৈবা দাইমন্দ ক্লবকী ৫৭শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ক্লব অসিগী মীপুনশঙ য়াওবা অনৌবা বিল্ডিং শঙ্গাবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

স্পিকরনা মখা তানা হায়, অফবা থবক, মীয়ামগী কান্নবা অমদি য়াইফনবা থবক তৌরিবমখৈ লাইনসু চানবীগনি অমসুং হেন্না অফবা থবক তৌবসু ঙমগনি। অমুক্তদা মী ১০০ শেম্বা ঙমদ্রবসু মী মঙাদগী হৌরগা মঙাদগী তরা, তরাদগী কুন, কুন্দগী ১০০ হায়দুনা পাকথোক চাওথোকহন্দুনা অফবা লৈকায় অমা, লমদম অমসুং মণিপুর অমা ওইহন্নবা ঐখোয় পূন্নমক্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে হায়খি।

লৈকায় অমদা ক্লব নৎত্রগা মৈরা পায়বীগী থৌদাং য়াম্না চাওই। অফবা মহৈরোয়/



শান্নরোয়শিং চুম্না শকখঙবীবগী মহুত্তা মায় পাক্লক্লবা অৱাংবা থাক্তা ইনখৎপীদুনা মতেং পীবিবনচিংবা থবক মচা ময়ামসিনা তুংগী অকনবা মখোঙ ওইরক্তুনা অফবা মণিপুর ওইহনবদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি। লৈকায় অমদা লাইরিক তম্বগী ওইরবসু নৎত্রগনা থবক লৈতবা নহাশিংদা থবক পীনবগী ওইরবসু, লৈত-লায়রদা তেংবাঙবগী ওইরবসু ক্লব/মৈরা পায়বীনা থিদোকপীদুনা মতেং ফংহনবদা থৌদাং লৌহন্নীংই। ঐখোয় পুন্নমক অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা হোৎনমিন্নরগা অফবা মণিপুর অমা ওইহন্দুনা চাওখৎহন্নবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অসিদা এম এল এ, এল রামেশ্বর অমসুং কে রোবিন্দ্রোসু শরুক য়ারদুনা মচোই মচোই তাবগী ফীভম উরকপসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়খিবগা লোয়ননা মীয়ামগী লৈঙাক অমা অথুবা মতমদা লৈহন্নবা স্পিকরবু মীয়াম্না শৌগৎতুনা লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

### মণিপুর এক্সাইজ রাইজিং দে

**ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচএনএস):**

চৎলিবা চহী ২০২৫দগী হৌরদুনা চহী খুদিংগী ওগষ্ট ২৫দা 'মণিপুর এক্সাইজ রাইজিং দে' হায়দুনা থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না কম্মিস্নর (এক্সাইজ) হুংয়ো ৱোরসাংনা থোকপা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা ফোঙদোরক্লি। থৌরম অসিদা কথোকপগা লোয়ননা থোইদোক হেন্দোকপা মথৌ পাঙথোকপা এক্সাইজ ওফিশলশিংবু শকখঙদুনা ইকায়খুম্নগনি হায়রি।

### য়ূম মৈ চাকপদা মীওই ২ শোক্লে

**ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচএনএস):**

হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ৩ লোম তারকপদা লম্ফেল সনা কৈথেলগী অশানবা য়ূম অমা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### ঈ দিনা 'লমজিংবা ফাইনান্স' কী মথক্তা সপ্লিমেন্টরি চার্জশীট থাগৎখ্রে

### মোইথেম তৌবীরম্বা ইনভেষ্টরশিংদা মখোয়গী লন-থুমশিং হন্দোক্লবা থবক পায়খৎপা হৌরে

**ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচএনএস) :** প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট (পি এম এল এ) গী মখাদা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ইম্ফাল সব জোনেল) না লমজিংবা ফাইনান্সকী মথক্তা লৌখৎপা কেসকী সপ্লিমেন্টরি চার্জশীট (প্রোজিক্যুশন কমপ্লেন্ট) অমা স্পেশল কোর্ট (পি এম এল এ) দা ফাইল তৌখিবগা লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈননা ঈ দিনা এটেচ তৌখিবা লুপা ক্রোর ১.৮৭ রোমগী মমল ওইগদবা মুভেবল অমদি ইমমুভেবল প্রোপর্টিশিংবু মখা তানা সিজ তৌবদা অয়াবা পীবিনবা কোর্টতা হায়জখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, লুপা ক্রোর ৬৩.৫২ রোমগী চাংদা ঈ দিনা এটেচ তৌখিবা পোৎলমশিং অদু কম্পনি অসিনা নমথাক তৌবীরল্লবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### পুনীট কুমার গোয়লনা চীফ সেক্রেটরিগী চার্জ লৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচএনএস) :**



যুনিয়ন লৈঙাক্না ডা. পুনীট কুমার গোয়লবু মণিপুরগী অনৌবা চীফ সেক্রেটরি ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকখিবগী মতুংইন্না ঙরাং ইম্ফালদা থুংলখিবগা লোয়ননা ঙসি অয়ূক চীফ সেক্রেটরি প্রসান্ট কুমার সিংহদগী ফম অসিগী চার্জ লৌদুনা থবক পুবা হৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, ডা. পি কে গোয়ল ১৯৯১ বেটচকী আই এ এস ওফিসরনি। মহাক্কী সর্ভিস মতমনা মথং চহী ২০২৬কী ওগষ্ট ৩১ ফাওবা লৈরিবনি। অদুগা চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা পি কে সিংহনা যুনিয়ন লৈঙাক্কী ওর্দর মতুংইন্না নেশনল কম্মিশন ফোর সেদ্যুল্দ ট্রাইবকী সেক্রেটরি ওইনা চৎখিগদৌরিবনি।

### সেক্সুএল এসোল্টতা চেন্নবা নহা অনী পুলিসনা ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচএনএস) :** তেলৌ ময়ায় লৈকায়দা থোকপা সেক্সুএল এসোল্টকী থৌদোক অমগী মতাংদা পুলিসনা পোক্সো এক্টকী মখাদা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা লৈকায় অসিদগী ক্ষেত্রিময়ূম অজোয় অমসুং নোঙাদা কমেং খুঞ্জাওদগী মংশাতাবম অজয় (২১) পুলিসনা ফারে হায়রি।

### লেকচররস এসোসিএশন মণিপুর-২০১৮ বেটচকী ওজাশিংনা পেন দাউন ষ্ট্রাইক চঙশিনখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচএনএস) :** রেগ্যুলরাইজেশন তৌরে হায়বগী ওর্দর থোক্লবসু মসিগী প্রোসেস মপূং ফানা লোইশিন্দবা অমসুং রেগ্যুলর এমপ্লোয়ী ওইবগী সেলরি পীদবগী মায়োক্তা মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না লেকচররস এসোসিএশন, মণিপুর-২০১৮ বেটচকী ওজাশিংনা ঙসিদগী পেন দাউন ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে।

খোঙজং অসি সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পোষ্টিং লৈবা এসোসিএশন অসিগী ওজাশিংনসু শৌগৎতুনা ক্লাস লৌখিদে।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবী ওজা অমনা হায়, কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারীদা কেবিনেটে মীফম্না ৱারেপ লৌদুনা রেগ্যুলরাইজ তৌখ্রবা ২০১৮ বেটচকী লেকচরর ৬০৩গী রেগ্যুলর পে ঙসি চহী অহুম হেল্লক্লবা ফাওবদা পীদ্রি। মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা হৌখিবা চহী ৩ কথোকপগা লোয়ননা লাইরিক তম্বীরকখিবনি অদুবু ওজাশিংদা শেল-থুমগী অৱাবা চাউনা মায়োক্লরকপনা ঙসিদগী খোঙজং অসি চঙশিনবা হৌবনি হায়খি।

এসোসিএশননা লৈঙাক্তা পীরিবা চয়োল অমগী মতম অসিগী মনুংদা লৈঙাক্না অইবা চেরোল পীদুনা ওজাশিংগী ফংফম থোকপা রেগ্যুলর পে পীবিয়ু। মখা তানা এসোসিএশননা লৌরকপা ফিরেপ্তা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী বেটচ অসিগী লেকচররশিংনা মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোরকখি।

### অঙোম অনিতাদা নেশনল হেন্দলুম এৱার্দ-২০২৪ পীরক্লে



**ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচএনএস):**

মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলসনা হেন্দলুম সেক্টরদা থোইদোক হেন্দোক্না থৌদাং লৌবশিংদা চহী খুদিংগী পীদুনা লাকপা লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিংদগী নেশনল হেন্দলুম এৱার্দ, ২০২৪ পীননবা মীওই ১৯ খনগৎপদা ৱাঙ্খে য়োংলান লৈরক্তগী অঙোম অনিতা (৫৩), মপুরোইবা চনম্বম ভেকো মৈতে য়াওরক্লে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## ইপানা ওটোরিক্সো থৌরগা ঐহাকপু ইহৈ তমহল্লকখিবনি, য়ূম লৈজদ্রবসু কন্না হোৎনদুনা ইমা অমসুং ইপাবু নুংঙাইহনখিগনি

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী

হকথেংনবা পাউদম

চূড়াচান্দপুরগী সঙাইকোটতগী খুঞ্জা

(হান্নগী মখা...)

লান অসিনা মরম ওইরদুনা চূড়াচান্দপুরগী সঙাইকোটতগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরবসু হিংদবা য়াদবদা নত্তনা অনা-অয়েক য়াওরকপদা লায়েংবা অমসুং মচা-মশুশিংবু মহৈ তমহন্দবা য়াদবনিনা অপোকপী মমানা মীগী য়ূমদা থবক শুবা চৎলগা অমসুং অপোকপা মপানা ওটোরিক্সো থৌরগা তাল্লকপা শেলনা মহৈ তল্লক্তুনা হন্দক পাঙথোকখিবা কুমজা ২০২৫গী ক্লাস টেনগী এগজামিনেশনদা ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌরকপদগী মেদিকেল তম্নিংলিবা মশাগী চহী ১৯ খক্তা শুরিবী সোরোকখাইবম বসন্তিগী অপোকপী মমানা পাউচে অসিদা হায়, ইশাগী ইরমদম/ইয়ূমদা লৈরিবঁ মতমদদি লৌ-শিং উদুনা চাবা থকপগী পোৎলূম লায়না পুবদা নত্তনা শেল মরাং কায়বদগী ইমুংগী অৱাৎ-অপা লৈহন্দনা লৈজরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি লান অসিনা মরম ওইরদুনা লাঞ্জেন্নরক্তুনা আই দি পি হায়বা মিংথোল অসিগা লোয়ননা রিলিফ কেম্প অসিদা চহী অনী হেন্না লৈশিল্লকপনা অনা-অয়েকসু য়াওরক্কনু হায়বা য়াবা নত্তবনিনা ইপুরোইবনা ওটোরিক্সো থৌদুনা শেল তাল্লবসু ৱাখল-পূক্নিং নুংঙাইবা হায়বদুদি ওইদ্রি। মসিগী মথক্তা চাবা-থকপসু ৱাৎলকপনা ইপুরোইবসু দাইবেটিস লায়না মায়োক্লরকপদগী হৌজিক্তি শেল তানবসু অদুক কন্না ঙমদ্রে। লায়না অসি মায়োক্লরকপদগী মখোঙদা পোমথোক্তুনা লৈরক্লে। অদুগা ঐহাক্না মীগী য়ূমদা চৎতুনা থবক-ইনখাং শুরি। ঐহাক্কী ইমুংদা ওইরিবা ফীভমশিং অসিনা চানীং-থক্লিংবা কয়া লৈরবসু খাঙজিল্লে, চাবা ফংদ্রে। শেৎনীংবা পূন্নমকসু খাঙজিল্লগা ইচানা মেদিকেল তম্নিংলিবা অসি খক্তমক মনীং থুংহনগে হায়না চপ য়ুংনা খল্লি। মরমদি ইচানা মতিক চাবা মী অমা ওইরকপনা ঐ অমসুং ইপুরোইবগী লেঙদ্রবা লন ওইগদবনি হায়না খল্লে।

ঐগী পূন্না ইচা মরিনি। ইচা মরি শেম্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মখোয়না তম্নরিবা লাইরিক খক্তা ওইরবসু মতেং খরা পীবিনবা হায়জরুই। অদুবু লুপা লিশীং অমগুম্বা খক পীবিবা নত্তনা মখা তাবা ইচাশিংগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতেং অমত্তা ফংদ্রি। অমরোমদা, ইচানুপীনা নেশনল ইলিজিবিলিটি এন্ট্রান্স টেষ্ট (এন ঈ ঈ টি-অন্দর গ্রেজুএট) কী কোচিংদা শরুক য়ারিবা অসিসু রিলিফ কেম্পকী মায়কৈদগীদি মতেং পাংবীনবা য়াওদবনিনা হৌজিক য়াম্না ৱারে হায়না সোরোকখাইবম বসন্তিগী অপোকপীনা ফোঙদোরক্লি। (মথং-মথং)

## মোবাইল ফার্মর ফিল্ড দেদা 'সেবোট মশিং' উৎখ্রে




**ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচএনএস) :** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী তোঙান তোঙানবা মফমগী লৌমীশিংগী ফার্মরস ফিল্ড দেগী থৌরম ঙসি খোইজুমান মনীং লৈকায়গী লৈথাংবম শ্যাম মীতৈগী লৌবুক্তা পাঙথোক্তুনা লৌমীশিংনা মায় পাক্না পুথোকপা রিদজ গর্দ ভেরাইটি অর্কা সুজাট হায়না খঙনবা অদুগা মীতৈলোলদনা সেবোট মশিং হায়না খঙনবা সেবোটশিং পুথোক্তুনা উৎখ্রে।

সেবোট মখল অসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী উৎলৌদা লৈবা কে ভি কেগী সবজেক্ট মেটর স্পেসিএলিষ্ট (হোর্টিকলচর) ডা. পি বিজয়াগী লমজিং মখাদা লৌমীশিংনা পুথোকখিবনি।

ঙসিগী ফিল্ড ফার্মরস দেগী থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ত অসিগী হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেশন লোয়শঙগী দিষ্ট্রিক্ত ওফিসর সোইবম সোফিয়া চনুসু শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অসি আই সী এ আর-আই আই ঐচ আর, বেঙ্গলুরুগী এন ঈ ঐচ প্রোগ্রাম (২০২৪-২৫) গী মখাদা 'দোমোন্সত্রেশন ওফ ভেরাইটিজ পর্ফোর্মেন্স' কী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

থৌরম অসিদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগা দিষ্ট্রিক্ত অসিগী লৌমীশিংগা খুৎশম্নদুনা মায় পাক্লা পুথোকপা সেবোট মখল অসি মীয়ামদা উৎখিবনি।

### কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা, সী পি এমগী লুচিংবা ভি এস অচুথানন্দন মশাগী চহী ১০১শুবদা লৈখিদ্রে



**ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচএনএস):** কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বদা নত্তনা সী পি এমগী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা লুচিংবা অমা ওইরমখিবা ভি এস অচুথানন্দন ঙসি কেরলাগী থিরুভন্থপুরমদা লৈখিদ্রে। মহাক মশাগী চহী ১০১ শুখ্রে।

মহাক কুমজা ১৯৬৪দা কম্যুনিষ্ট পার্টিদগী সী পি এম শেম্নবগীদমক থোরকখিবা মীওই ৩২গী মনুংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫